থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# তর্পন উৎসব! পূক্লিংসিদা চমন্নবা অমা



হৌজিক লাংবন থানি। লাইরমলেনদা তিনখ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী থৱায় মীরেল মীরমলেনদা লৈহৌবা মচা-মশুশিংগী নাক্তা হেক হেক লাংবন থাদা কুমথরকই থাজনৈ। করম্বা মতমদগী, করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মখোয়গী থৱায় মীরেলদা অচা-অথক, অনৌ-অপেন পীজ-পীথক তম্বগী চৎনবী অসি হৌদোকখিবনো? হিন্দু লাইনিং চঙলক্ত্রিঙৈ মমাংদা হান্না লৈরম্লবা চৎনবীরা? নৎত্রগা, পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) নিংথৌগী হাক্তক, হিন্দুনা লাইমিঙ লৌখ্রবা মতুংদা হৌদোক্লকখিবা চৎনবীরা? চপ চাবা রেকোর্দ থেংনদবনা খঙবা ঙমদ্রে। অমদি শোয়দনা লৈরমগনি, পারুদবগী খঙদবনি। অদুবু, লাংবন থাদা 'তপর্ন কৎপা' হায়বা চৎনবী অমা হৌদোক্লল্লিবা, হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী মওং, শোল্লিবা লাইশোন্নচিংবা অসি য়েংলুরগদি খল্লি - মমাংঙৈদই লৈরক্লবা চৎনবীদি ওইরল্লোই। অদুবু, অৱাং সেকমাইরোমদা লৈরিবা 'অশিমল পীবা' হায়বা তর্পন কৎপগী মওংসিগা হাইফেৎ মান্নবা চৎনবী অমা লৈরম্লিবসিনা ঐখোয়গী ওইবা নাৎকী চৎনবী অমসু লৈরম্বরা? চিংনবসু পোকহল্লি।

'তর্পন' হায়বা ৱাহৈসিগী চপচাবা 'ৱাহন' - 'কৎপা' নৎত্রগা 'কখোকপ'গী মওংদা হন্নে, তৌথোরক্লিবা থবক্কী মওং অদু য়েংলগা। অদুবু 'তর্পন' হায়বা হিনি দ ৱাহৈ অসিগী অশেঙবা 'ৱাহন' দি - কৎপা নৎত্রগা কখোকপদু নত্তে, অতোপ্পবু পেলহনবনি। পেনবীনবা কৎপদুনি। 'তর্পন' হায়বা ৱাহৈসিগী ৱারুদি 'ত্রপ' হায়বা ৱাহৈদুনি। মীওইববু শেম্বীবা ঈশ্বর, মশকনাইবা লাইনিংবশিং, লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুগী থৱায়শিং অদুবু পেলহন্নবা তৌবা থবক অদুবু কৌই 'তর্পন'। ঈশিং খূয়া অমত্তং, য়াদা চীন্দমনবা চীঞ্জাক মথেল অমত্তং - তাইবং মপুদবু ওইরসু, কনাগুম্বা অমগী মমীং পন্দুনা কচ্চরিবা মহাক্লা পেনবীদুনা নুংঙাই-য়াইফ-মঙ্গল পীবীরমগনি হায়বা ৱাখলদুদনি কৎনরিবা 'তর্পন'।

জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরেংবা, নোংমাইথেম পাহারিনা শকপা ঈশৈ 'কুকু ক্রু কুকু ক্রু খোংলি লমখুনু' হায়বা ঈশৈ অদুনা ঐখোয়বু অঙাং পুমকক চাওরকঙৈদগী 'লাংবন তর্পন' নীংশিংহল্লকখি। লমখুনু খোংবা তারগা ইপা-ইপুগী থৱায় মিরেল পাইরক্লবগুম খল্লকখি। অরাম্বা খৌরাংবনা ঙাওরবা য়াঙ্গংলবা কনাগুম্বা সুমাং মতোন্দা লেপ্লিবগুম উহল্লকই। তর্পন উৎসব কৎলগা, অহল-লমন, ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব ময়াম্না মপুক পেন্না হনখিবা - খৌগংলবা থৱায়শিং মপুক পেন্না হনখিগনি থাজনৈ। হিন্দিগী অফাওবা কবি অরিবঁস রাই বচ্চন'নদি ইরম্মী, মচা ইবুংঙো অমিতাভতা হায়রম্বগুম ... 'পিতৃ পক্ষ মে পুত্র, উঠানা/অর্ধ ন কর মে, পর প্যালা ... তর্পন-অর্পন করনা মুঝকো/পড়-পড়কর কে মধুশালা' (লাংবন থানা লাকপদা, ঐগী ইফমদা/কৎলক্কনু করিসু, পায়খৎলু য়ুথক পাত্র ... কৎলকউ তর্পন ঐগী ইফমদা/হঞ্জিন হঞ্জিন পাদুনা ঐগী য়ুরাংফম)। অচা-অথক, অহাউ-অথুম পীজ-পীথক তৌবদু নত্তে লৈখিদ্রবা থৱায়দুনা পামজবা, মহাক্লা হিংলিঙৈ পামজনা তৌরম্বা থবকশিং, মচা ওইবশিংনা নীংশিংদুনা পাঙথোকপীরকপা নীংশিং থৌরম, অদুসু তর্পন-উৎসব অমনি। অদুবু লাইবক থিবদি, লোইনাইদনা নীংশিংগদবা, পাঙথোকফম থোকপা থৌরমদুদি কনানসু পাঙথোক্লদে। লাংবন থাগী অফবা কোরৌ-নুমিৎশিং, অহাওবা মথেল-লূকোয় কয়াগী চেবাউনা ননশিন্ননা লাক্কনি - লৈখিদ্রবা থৱায় মিরেলবু নীংশিংদুনা তাইবং মপুগী খুয়াখাদা কচচবা মথেল লুকোয় পুন্না চীন্দমমিন্নবা। পাউদমজরিবা ইশামক্তা চনন্নলা লাকখিবা চেবাউ তরামঙাগী মথক্লি। মরমসিনা খল্লকপনি - পাঙথোক্লরিবা থৌরমসিগী মতাঙদা অতেনবা পাউদম অমত্তংদি তম্লম্বনা ফত্তবরা?

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ইপা-ইপন-ইপুশিংনা 'তর্পন' নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লম্মী। নুমিৎ খুদিংগী চাকচা 'মাঙ, তুরেল নৎত্রগা পুখ্রিদা হকচাং শেংদোকপা/ঈরুজবা নৎত্রগা স্নান তৌবা তৌদ য়াদবা অমগুম উরকখি। ঈরুজবা লোইশিল্লকপদা মশাগী খ্বাং মথক, পুক (খোয়দৌ মপা) ফাওবা ঈশিং থূমহল্লগা, নোংপোকলোমদা ওল্লগা ঈশিং খূজোক অহুমখক কৎলমগনি। থৌওং অদু 'বোধয়ন' কৌবা মুণিনা তাক্লম্বা তর্পন কৎপগী মওংদুমক্লি। লাই পূম্নমক্কী অসূপ্পা মশক ওইরিবা, মীৎনা শং শং উরিবা লাইদি নুমিৎ কৌবা লাই (সুর্যদেব) মাতনি। লাইদা কৎপা 'তর্পন'না নোংপোক ওল্লগা কৎকনি, ইপা-ইপুশিংদুগী থৱায় মিরেলদা কৎপনা, মখা ওল্লগা কৎকনি।

অহানবদা, খুবাং চাংজৌ তরা লোন্নদুনা মীৎ উইশিন্দুনা পুক্লিং হিরী কোন্দুনা লাইশোন (মন্ত্র) অমা শোল্লিবা, লাইরমলেন্দা লৈখ্রিবা ইপা-ইপুগী থৱায় মিরেলবু কৌবনি। মথঙদা ঈশিং খুজোক অহুম কত্তুনা শোল্লিবা লাইশোন - ইপা, ইপু অমদি ইমাগীদমক্লি। ইপাগী মীং, শাগৈ (গোত্র) নচিংবা পনগনি, ইপুগী মীং, ইমাগী মীং চীথফরোই।

করিগী তর্পন পাঙথোক্লিবা? শাংলবা ৱারী অমনি। থৱায় পানবা অমনা পোকপদগী শিবা ফাওবা হিংলল্লিবা মতম অদুবু পুন্সি কৌই। তাইবংশিদা লাক্লম্লবা মীওইবা, তাইবং অসি থাদোক্ত্রিঙৈ, তোনশিনখিবা লমন অহুম শিংদোক্লমদনা হনখিবা য়াদে। লমন অহুম অদুদি (১) লাইগী লমন (দেব ঋন) - কখোকপা, দান তৌবনা লমন শিংবা শক্লগনি; (২) ওজা-গুরুগী লমন (ঋশি ঋন) - তম্লুবা লৌশিং অদু মীঙোন্দা পীথোক্লগা লমনদুসু কোক্লগনি; অদুবু, (৩) মপা-মপাগী লমন (পিতৃ ঋন) - হায়বসিদি, তাইবংদা লৈহৌবা মচা ওইবশিংনা পীবা 'পিন্দ-দান' অদুতনা কোক্লগনি। পিন্দ-দান পীবনা লৈখিদ্রবা থৱায়শিংবু পেলহল্লি। পিন্দ-দান, শ্রাদ্ধ অমদি তর্পন (ঈশিং খূজোক) কৎলিবা - থৱায়শিংদুনা লাইরৈবাক্তা চৎপদা অরাম খৌরাং ফাওদনা ঈংনা চীক্লা পল্লুং য়ৌঙম্নবনি।

তর্পন উৎসব - ঐখোয়বু তাইবং মশক তাকপীরম্বা, লৌশিং-মৈরা চুবীরম্বা, লমচৎ-শাজৎ উৎপীরম্বা, নুংশিবা করিনো তম্বীরম্বা - পারী পুরী, ইপা-ইপু, শেম্বীবা গুরুগী মফমদা ইকায়খুম্ন বা/তৌবীমল খঙবা উৎপা ফজরবা থৌরম অমনি। হরাও-তয়াম ফোঙদোকপা, চাকচা হৈজানবই থৌরম নত্তে। কদায়দনো, হায়ফম খঙদবা অশোয়বা/অৱাৎপা অমা লৈবগুম পুক্লিংসিদা কন্না ফাওরক্লি। কনাগুম্বা লৌশিংবা অমনা তাকপীরক্লবদি নুংঙাইনি।

লৌশিং পুক্কে

# নুপীশিংদা তোয়না থেংনগনবা খ্বাইদগী কিনিংঙাই ওইবা লায়না ব্রেষ্ট কেন্সর

নুপী ওইবীশিংদা খ্বাইদগী কিনিংঙাই ওইবা লায়না অমা হায়বা তারবদি ব্রেষ্ট কেন্সর অসিসু অমনি। মতৌ করম্ন া ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহনগদগে অমসুং লায়না অসি করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বসি নুপী ওইবীশিংগী অপাম্বনি। ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক ফেক্টর খরা লৈ। মখোয় অদুদি নুপী অমা ওইরুবা, চহী য়ামশিল্লকপা অমসুং ইশা-ইশাগী জেনেটিক্কী ওইবা ফীভমনি। হায়রিবা ফেক্টর খরা অসিদি কৈদৌনুংদা শেমদোকপা-হোংদোকপা য়াররোইদবা থৌওংশিংনি।



অতৈ ফেক্টরশিংদি হকচাংগী অরুম্বা হেনবা, হকচাং শাজেল তৌবা ৱাৎপা, মৈখু শীজিন্নবা অমসুং ফত্তবা-কান্নদবা চীঞ্জাক চাবনি। অকোনবগী ফেক্টরশিং অসিদি ইশা-ইশানা শেমদোকচবা ঙম্মী। চীঞ্জাকপু ওইরো, শাজেলদবু ওইরো খ্বাইদগী ফবা মখলগী পুন্সি মহিং অমদা হিংনবা হোৎনবা মতমদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্কসু অদুমক মথন্থা হন্থজখিগনি।

নুপী অমা ওইরুবা হায়বসিনা ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবগী খ্বাইদগী চাউবা অমদি মরু ওইবা রিস্কনি। হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস খক্তদা ইনভেসিব ব্রেষ্ট কেন্সরগী অনৌবা কেস ১৯০,০০০ অমসুং নন-ইনভেসিভ ব্রেষ্ট কেন্সরগীনা ৬০,০০০ হেনগৎলকখি।

অতৈ অতোপ্পা লায়নাশিংগুম ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্কসু অহল ওইশিল্লকপগা ইরোয়ননা অসুম-অসুম ৱাংখৎলকই। ইনভেসিভ ব্রেষ্ট কেন্সর নারবা মীওই অহুম খুদিংগী মনুংদা অমমমদি মশাগী চহী ৫৫ হেল্লবা নুপী ঙাক্তনি।

ব্রেষ্ট কেন্সর নাখ্রবা মীওই অমগা নক্লবা ঈ-মরী থোক্লবা নুপী খুদিংমকসু লায়না অসিগী রিস্ক ৱাংই। মমা, মচে, মচন নৎত্রগা মবোক্তা লায়না অসি নাখিবা য়াওরবদি হায়রিবা মীওই অদুসু রিস্ক ৱাংবা কাঙলুপতা চল্লে।

ব্রেষ্ট কেন্সর নারবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫দগী ১০ ফাওবদি ঈ-মরীদা, চারোন-শুরোন্দা থঙথরকপনি। মমা-মপাদগী মচাদা এবনোর্মেল ওইবা জিনশিং থঙথরকপদগী অনাবা অসি ওইরকপনি হায়রি।

কেন্সর নত্তবা অতৈ অতোপ্পা অনাবশিং লায়েংনবগীদমক ওইরবসু রেদিএসন থেরাপি চত্থখ্রবা মীওইশিংসু কোন্না ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। অঙকপা ৱাফম অমনা কুচু খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়না অসিগী রিস্কসু খেন্নে। অফ্রিকান, হিস্পানিক অমসুং এসিয়ন নুপীশিংদগী নোংচুপলোমগী অঙৌবী নুপীশিংনা রিস্ক ৱাংবা হেল্লি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা চূং-ফীরাল চাবা, ফীভম ফজবা নুপীশিংদগীদি মশাগী অরূম্বা হেনবা অনোয়বা নুপীশিংনা লায়না অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা হেল্লি। হকচাংগী অরুম্ববু হেল্লবদি লায়েংদুনা ফখ্রবা মতুংদা লায়না অসি অমুক হন্না নারকপা য়াই। মরু ওইনা থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা লায়না অসিগী লায়ওং উখোরকপা থেংনৈ।

মপুং ফানা মীরোলহন্দনা খাঙতপ্তা অঙাং য়ৈথখিবা নৎত্রগনা মশাগী চহী ৩০ হেল্লবা মতুংদা মপুন্সিগী অহানবা অঙাং উনবা নুপীশিংসু ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক ৱাংই।

থিজিন-হুমজিনবশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না চহী য়াম্ন া নৌনা মশাগী চহী ১২ শুদ্রিঙৈদা থাগী খোঙকাপ লাকপা হৌখ্রবা নুপীশিং অহল ওইরকপা মতমদা লায়না অসি নারকপা য়াই হায়রি। অমরোমদা মশাগী চহী ৫৫ হেল্লবফাওবা থাগী খোঙকাপ লেপ্তুনা লাকপা নুপীশিংসু রিস্ক ৱাংই।

বিয়র, ৱাইন অমদি মখল খুদিংমক্কী য়ু থকপা অমসুং মৈখু শীজিন্নবা নুপীশিং ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক ৱাংই। মশামক্লা মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈরবদি রিস্ক চপ মান্নৈ হায়রি।

ভিটামিন দিগী চাং-ৱাৎপা নুপীশিংসু লায়না অসিগী রিস্ক ৱাংই হায়বা থিজিনবদগী খঙলকখি। ভিটামিন দিনা নোমের্ল ব্রেষ্ট সেলশিং কন্ট্রোল তৌই অমসুং কেন্সর সেলশিংবুনা চাউবা হেনগৎহন্দে।

রিসর্চ রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না অয়ুক নুংথিলদা থবক শুবা নুপীশিংদগীদি নুমিদাংগী মতমদা থবক শুবা দোক্টর, নর্স, পুলিস ওফিসর অমদি ফেক্টরিগী শিন্মী নুপীশিংনা রিস্ক ৱাংবা হেল্লি। চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু নুমীদাংগী মতমদা অঙানবা মৈঙালদা মতম শাংনা থবক শুবনা হোর্মোন্দা অহোংবা লাকহল্লম্বা য়াই থাজনরি।

ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকপদা মতেং পাংই হায়না থাজনরিবা অতৈ রিস্ক ফেক্টরশিংদি অকে-অমৌ পোৎলমশিংদা য়াওবা কেমিকেলশিং, হার অমদি তীলহাৎ হীদাক য়াওরবা চীঞ্জাক, থক্লবা ঈশিংদা য়াওরকপা ফত্তবা মচলশিং অমসুং বাইসফেনোল এ (বি পি এ)গুম্বা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংদা য়াওবা কেমিকেলশিং অসিনচিংবনি।

ব্রেষ্ট কেন্সর ঙাকথোক্লবা থোইদোকপা অকক্লবা চীঞ্জাক লৈতবা তারবসু অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারগা ইম্মুন সিষ্টেম কনখৎহন্দুনা হকচাং ফনা তীঞ্জং কায়জংদা লৈবা মতমদা লায়না অসি য়াওনা লায়না খুদিংমক্কী রিস্ক হন্থখিগনি।

# ইথাই বারাজ দিকম্মিসন তৌনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): লোক্তাক প্রোজেক্ট অমসুং ইথাই বারাজ দিকম্মিসন তৌনবা লুপ কয়ানা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সেকমাইজিনদা মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরম অমদি ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা হঙ্গুন ইদিগা রোদতগী হৌনা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ অদুনা সেকমাইজিন কৈথেলদা থুংদুনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি। খোঙচৎ অসিগী মতাংদা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ইস্লামুদ্দিন্না হায়খিবদা, লোক্তাক পাৎকী ঈশিং থিংগৎতুনা মৈ পুথোক্লবা পান্দমদা লোক্তাক প্রোজেক্ট অমদি ইথাই বেরাজ শাখিবনি। অদুবু মৈ পুথোকপগী মহুত্তা মীয়ামগী লৌফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরি। মদুগী মথক্তা লমদম অসিদা ফঙলম্বা য়েলহৌঙা অমদি চাথোক লৈবা ফৌ মখল কয়া মুৎখ্রে। মীয়ামদা থবক পীগনি, মৈ ফঙহনগনি হায়না শেমখিবা প্রোজেক্ট অসিনা ঙসি ফাওবা হীরম অমত্তদা কান্নবা পীদ্রি।

মসিদা নত্তনা ইথাই অমদি লোক্তাক প্রোজেক্টনা থিংগৎতুনা লৈখিবদগী লমদম অসিদা ঈচাও তোয়না থোক্লি। মীয়ামগী মাঙনবা লৈরিবা প্রোজেক্ট অনী অসি অথুবা মতমদা মথৌ তৌবা লেপহন্দুনা মীয়াম্বু মহৌশাগী পুন্সিদা লৈনবা হোৎনবা মথৌ তারে। মণিপুর লৈঙাক্লসু হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা লোক্তাক প্রোজেক্ট অমসুং ইথাই বেরাজ দিকম্মিসন তৌনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টদা তকশিনগদবনি। মীয়ামগী ঈহুল খঙদনা লৈথোক্লবদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): নেসনল ওন্ত্রেপ্রেন্যুয়রশিপ এৱার্দ ২০১৭ গী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসন্স সী এস লিমিটেদ পাউনা বাজারগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল সাইন্স মুম্বাই, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি মণিপুর, মার্কেটিং এন্দ সর্ভিস এক্সটেন্সন সেন্তর মণিপুর, দি সী হেন্দিক্রাফট মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল, মণিপুর চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, মণিপুর এপেক্স এন্দ হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসন্স কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ, নেসনল হেন্দলুম দিভলপমন্টে কোর্পোরেসন মণিপুর অমদি ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ওন্ত্রেপ্রেন্যুয়রশিপ মণিপুরনা শীন্দুনা প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা এম এন এস ঈ সী মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর এম সঞ্জিপকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, শুরি-নোঙ্লিবশিংদা পুক্লিং চঙনা থৱায় য়াওনা হোৎনবা চঙই। শারিবা ফি ওইরবসু ক্বালিটি য়াওব্রা অমদি লংগী মচু চেৎলব্রা হায়বসি য়েংবা তঙায়ফদে। ফি শাবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা চাউথোকচবা পোকপা অমা ওইনা লৈরক্লবনি। ইশা ইশানা চাউথোকচবা পোকপগী মথক্তা আইদের্ন্টিটি লৈরিবনি। ইনিদয়া গভর্নমেন্টনা পীরিবা কান্নবশিং লৌনবা হোৎনগদবনি। শক্লাইরবা অফাওবা ফিশাবা ওইগে হায়রবদি তোপ তোপ্পা অমা পুথোকপা চঙই। ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা পুৱারিগী ওইবা মওং কয়া য়েংলগা শারবদি হেন্না ফজবা তোপ তোপ্পা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসন্স কো ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদকী বোর্দ দিরেক্তর এস ভিমোনা থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা হায়খি, নেসনল ওন্ত্রেপ্রেন্যুয়রশিপ এৱার্দ ২০১৭ অসি হন্দক্লা অহানবা ওইনা পীবা হৌগদবনি। মসিগী এৱ্যেরনেস পাঙথোক্তুনা খঙমিন্নবা হোৎনবনি। এৱার্দ অসি হৌজিক হৌজিক কৌরি। ওনলাইনদা থাবা য়াগনি। চহী অসিগী নবেম্বর ৯ দা এৱার্দ অসি য়েন্থোক্কনি। চহী অসিদগী হৌদোক্লিবা এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী পীবা হৌরগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ স্কীল দিভলপমেন্টকী মখাদা পীগদবনি। ইন্দিভিজুয়েলদা শেল ওইনা লুপা লাখ মঙা, ওর্গনাইজেসনগী ওইনা শেল ওইনা লুপা লাখ ১০ গী মনা য়াওবা এৱার্দনি। হীরম অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবগীদমক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম সী সী আইগী সেক্রেটরি টিঐচ জোতিন, টি আই এস এস মুম্বাইগী এসিষ্টেন্ট প্রো. পি ঙাম্থোইবা, এ দব্লিউ এ এসকী চ্যেয়রপর্সন কে ইন্দিরা, এন ঐচ দি সী মণিপুরগী প্রো. ইন-চার্জ শান্তিকুমার অমদি ষ্টেট কোওর্দিনেটর আই আর ঈ কে নিলমনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# কম্ম্যুনেল ফোর্সশিংগী ওফিস হাংহনবগী মরম শেংদোক্কদবনি: মাওইষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): মণিপুর থুগায়গনি হায়না ওর্গনাইজ ওইবা কম্ম্যুনেল ফোর্সশিংগী ওফিসশিং মণিপুর লৈঙাক্লা কনখৎতুনা হাংহল্লিবসি মাওইষ্ট কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিনা তরায়না লৌদে হায়না লুপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেট কিয়োংহন মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্ম্যুনেল ফোর্সশিংগী অন-ওফিসল দিজিগনেটেদ কেম্প অমদি ওফিসশিং ফোঙনা হাংদুনা লৈ হায়বসি হৌখিবা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়নসু ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। ফিভম অসিদা ঙসিগী লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং অমা ফাওবা লৌখৎপা লৈত্রি। চহী মঙাখক্কী খনবা মীহুৎ ময়াম্না শেম্বা লৈঙাক অমগী খোঙচৎতা থা তরুক হায়বসি চহী তঙ্খায় অমা শাংলবা মতমনি। মতম অসিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং অমা ফাওবা থম্বা লৈত্রি। চীংগী লমশিংদদি কম্ম্যুনেল ফোর্সশিং অসিনা দিফেক্তো রেজিম চত্থদুনা লৈরি।

ইলেক্সন মমাংদা হীরম অসিগী মতাংদা ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবা কয়ানা ফোঙদোকখ্রবনি। হৌজিক লৈঙাক মপু ওইরবা মতুংসিদদি থবক ওইনা পাঙথোকপগী মমী তাদ্রি। চহী মঙাগী লৈঙাক্তা থা তরুক হায়বসি শাংলবা মতমনি। শাংলবা মতম অসিদা মণিপুরদা মীৎকী কুম্মৈ নত্তনা মখল অমত্তগী অহোংবা অমা ফাওবা উবা ফঙদ্রি। মণিপুরগী মহৈ কাঙলোনদা অহোংবা অমত্তা পুরক্ত্রি। ওজা ৱাৎপকী ঈহৌ মচি মচিদা চত্থরি। অনা লায়েং কাঙলোনদা য়েংলবসু মসিমদি ফরক্লে হায়বা ফিভম উৎপা য়াবা মফম লৈত্রি হায়রি।

হৌখিবা থা তরুক অসিদা হোংলিবা হায়রগদি ওফিসর ময়াম অমা ত্রান্সফর পোষ্টিং হোংবা অমদি কোংগ্রেস এম এল এনা বি জে পিদা হোংবসি নত্তনা মশক থোকপা কাঙলোন অমত্তা উবা ফঙদ্রি। মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবা অহোংবসি অহানবদা, য়েলহৌমী কনবগী ৱাফম, মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপশিং থেংনবগী ৱাফমনি। য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ সেপ্তেম্বর ৪ দগী হৌরগনি হায়না লাউথোক্লগা নোংমা খোঙচৎ অমা চৎখি হায়রি। চেরোল অদুনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লবসু হৌখিবা থা তরুক অসিদা অহোংবা অমা ফাওবা উবা ফঙদ্রি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

মণিপুরগী চীংগী লমদা কম্ম্যুনেল ফোর্সশিংনা মনীং তম্না মী হাৎলি। মোরেদা শিন্মী হাৎখিবা, উখ্রুলদা মীচম হাৎখিবা, তোঙান তোঙানবা ক্রাইম কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা য়েলহৌমী কন্নবগী ৱারেপ করম্বা মতমদা লৌগনি হায়বা ময়েক শেংনা মীয়ামদা ফোঙদোকফম থোকই। হীরম অসিদা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী মরুওইবা ইস্যুবু মীৎকী কুম্মৈ খরা তৌরগা নাথৈনবা হোৎনরে হায়না মীয়াম্না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা।

মমাংগী লৈঙাক অদুগী মায়োক্তসু লুপ অসিনা ফোঙনা লাউখি হায়বসি মীয়াম্না খঙলবা ৱাফমনি। হৌজিকসু লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু অমুক হন্না অপঙবা শীননবা হোৎনরবদি লুপনা তুমিন্না লৈথোক্লোই। মণিপুর থুগায়গনি হায়না খুৎলায় পায়বা খুৎপুশিংগী দিজিগনেটেদ কেম্প কয়া লৈবগে হায়বদু ফোঙদোকফম থোকই। কেম্পশিং অসিগী মথক্তা করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু থবক ওইনা উৎতুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মৈরিক মচা অমনা অচৌবা চরু ঈকু অমা উৎ ওনখিবগী ৱারীনচিংবা মতমদুগী মীৎকুপ অমা কায়থোক্তুনা নীংশিংফম থোকই হায়নসু মখা তারি।



HL-P/2553/19,21,23,26,30Aug&3,7,15,19,23,27Sept&1,5 Oct.